খাহি-ঙম্বা ।



গম্ভির সিং চিংলেন নোংদ্রেণ খোমবনা মনিপুরদা চহি ৫ মঙা নিংথৌ অইরবদা, সরক্যারগা খাহিগা লান তৌরে হাইবা মহারাজনা তারে । কাল মতম অদুদদি, গম্ভির সিং সুং খেঞ চৎকে হাইদুনা লোমাসিং লোংজাম্বা নংদি মঙ্গল সিলট মপুং য়াইদ। রসপ মসিংসু বিনেস হিপোং সেমনা চন্দ্র পুরদা ঙাইথুং-ঙম্মু হাইনা থৌসিখোনখি । রসপ মসিংসু, বিনেস হিপোং সেহনা সংলো থৌরাং সুঙে । কুলি য়াংলো

লমসেম লোইশুং সাহেপ ২ অনি ঃকক্কা লোইনম্নুনা। খাহি মখুৎ পাক্না যামনা সিবে [illegible]বু ঐ তাবে। সিলট লৈকোই ফমলা, তকক্রা সাহেপ কৌববু চেংলো লক উনবগা ঐস্মুং তনুগা হুক্লকে, লখনৌ ময়ুম-নাক, খাহি বারেং হ্নাংথি সিরে হাইববু তাবে। লোমাসিং হঞ্জবাও মংনা নপাউ পুবকপা অসি চুম্মি। ঐগি চিঠি খুদোল মস্তুং গিলান কাপ্তান সাহেপ মখুৎথাক্তা পিরু। নংস্মুং থুনা হাল বাইবকও। লোমাসিং হঞ্জবাও নংনা পাও অসি পুদুনা হলকলগা, তুবি ইহাক চংতনা সরকারগি থৌরে তেন পাংস্নুগে হাইনা নিংলিঙৈদা সিলট মপুংয়াই ফিরিংগি ইলকা সাহেপ কৌবনা হে মনিপুর পোইরৈ মৈতৈঃ নিংথৌ সুরূও লৈংকোই ফম্না চয়নৌস্না সেকপিন থানবা লাই-রেন পাংথন লথৌ হকপা গুণ নত্রিক অচৌবা

সগত্র লাইজ ইরেৎ পুংগুম লান ফম য়াইফা খোঙবগি নিংথৌ নমন্নাবা পুম্নামকনা সোং কিনবা লৌসিং সগৎসেন গুম্বা চিংলোই তম লোই পুনামৃগকপু থৌদবিবা ব়াইবা সবাউ খোলবু দাবদা মালং মখে মম্নাংগুম্বা লাল লাও খোনবু তাবদা নোংমৈঃ সিংজংগি মতম গুম্বা লান ফম সকনবা খুদিংদা কার্ত্তিক সেনা পতিগি মতম গুম্বা ১ সুং লৈঃপাক পুম্নামকনা সোংবিগবা। পোইরেঃ লৈঃপাক পুম্নামকপু যোকপি হৈবা নসক সুং য়ামনা ফজবা পাঙ্গন নথৌহেনবা গুণ নতিক চংখোনবা নিংথৌবেননি হাইনা লৈঃপাক ২ খুদিংদা, কোলোই নমিং চাওনা থাগৎনরিবা। মঙ্গল থাহি পুম্নামকনা সরকারনা সেম্বি তেথাও য়োওনা লমবি সেগবদা য়ামনা নোংমললবগি তোপনে বোগনে পুদুনা সোকনববু মমাই ওন্দরে।

লাইরেণ পাংগল নতিক উং থাহি মখৈ ফংনা পনথেংবিও তুবি থয়াং নথৌ মন অদুবু লৈঃপাক পুম্নামকনা কিণসলু হাইনা চিঠি খুদোন ১মবু পিনা লাল নেকৃলরে অদুদগি নিং-থেমনা লৈঃপাককি অডম অথৌ ফমনাইবা পুমনা-মকপু কংলা য়াইপুং যৈঃতুনা তমাল পুংজাও থিনদুনা লৈপাক মিঃযামবু কৌখৎদুনা দরবার বা ওাংনরে তুবিচিংলেন লোংদ্রেন খোম্বা তাংজা লিজ্জা গুম্বানা সাহেপ মপাউমেন তাবদা নোংচুব-গুম কপ্ই। থাইনা মাংদা লাইরেণ ঐগি য়াম্মা, মারজিৎ ময়াং ওমবগি স্নাহাকতক্লা, অবা মণিন নাইবনা পোাইরৈং মৈতৈঃ লৈঃপাক লিংবা ওম-দ্রাবদা বিলাত লৈঃকোই ফম্বা, ইংরাজ মণিং-থৌনা মেষজিন মসিং থি-ওমদা লোংমৈ মপুম খুদোন পিরকল্লা নোংপোক অবা থোংলেন অচৌ-ববু, থিংনা নিংথৌওইবা ফংলবা অমিসুং

চিংলোই, তমলোই অয়াম্বা লোই চাম্ব ওম্বা অমিসুং নিংথৌ ইমানবা পুমূন-মকূনা মৈতৈ নিংথৌ চিংলেন, নোংদ্রেন খোম্বা অসিদি লালফম নিপা-থোকপা গুণ মত্তিক চংখোলবা নিংথৌরেননে হাইনা নিনখিবা অসিবু সাহেপ সরকাব মথৌচান-গিনি। অবাবা থৌকাও ফরোই লাইরেণ পাঙ্গল নিপা থোকপা খাহি মথৈঃ ফংনা মঙ্গল মপুং তাকনা পনথেং লমূলগা তণনা মচেং হলবা-ইরককে। অতুদগি লিকলাই ইসানৌ পানবা কৈচেং লাংগুম্বা নরসিংহ লাংজেং মথোক লক-পা নংনা চিংছুনা ক্লতি নোংমাইথেম্বা লোংথোম্বা, মদনানন্দ হুইবেম মচ্চা পুখম্বা, মন্ত্রি গৌর শ্যাম মাইস্নাম মচ্চা, অঙোম নিংথৌ ধনি নোংমাই-থেম্বা, অহনলুপ লাকপা হরি সৌবাইজাম্বা, নাহারূপ লাকপা হরি নিংথৌজাম্বা, খাবমলাকপা দেবিক্রসিং কৈসামমচ্চা, মেজর হাওবম বিনদ,

নংখোই পুম্‌না মকৃতি ইনাও লান্দা থোবা নরসিং সেনা পতিগা লৈপাক গুকত্রা লৈঃবন্মু। অমু ব্যাংখৈবা, খম্বতোন চিংসুবা, খুরোই গুম্বা থাংজম মচ্চা, মংলেম, লোইতোংবা, হিজবা, চন্দ্রসিং, খেমা কৈসাম মচ্চা, অমুতোন লৌক্রাকপা তম্বা, অহৈবা লমমন্‌, য়াম্বেম মচ্চা ক্লতি, কোন্‌সবা পোলদেব, অথোকপা, মুসল মান তলেন. কাজি স্বল. নবাপ, নখোই পুম্‌না মকৃতি লাইরেণ ঐগা চংপদা থাঃনকদে, সিকাই থুদোং নোংমৈ সুবা মসিং থিঙমদবা নখোইদি লাইরেণ ঐনা চংপা মাইগৈদা চংপবু ব্‌াই হাইবা সোন ফবোই। খেত্রি থৈবোংসিং ফৌরুং হম্বা, মদনসিং ফৌরুংহম্বা নবুংওাদি লৈঃপাক মিয়াম চাননবা চেং লমবেন্দা থাংগুরো। ধনি নোংমাইথেম্বা নংসুং লৈপাক মিঃয়াম চাননবা জাকৈঃ থুমকৈঃ পৈঃক্লবো, জান্দারি লোইসং

নংখোইদি মহৌসাগি থনক্ কাইফরোই।

তুম্ব,সিং পোৎসংবা হঞ্জবা নংদি নিংথৌ ঐগি নমজেন ফিবু মসিং স্থনা উপুঃ চাজম্ম নমমুরো। বামন কৃষ্ণরাই, মিচাও শর্ম্মা নখোই অনিদি বিষ্ণু থৌগণ তৌববু ব্‌াই হাইফরোই মিমি চিংঙাখম্বা মচ্চা নংদি নিংথৌ ঐগি ইতুং ইনববু থাপনৃফরোাই। শ্রীযুক্ত গম্ভিরসিং চিংলেন নোঙ্গ্রেন খোম্বদি সাপোৎ লামপোৎ খুজিনাসি পুমৃনমক্ সেৎপা লোইরে, মিসেন্দা সায়া মিরেণ লাকনা ফিবোন সেৎপা পুমনামক লোইরে, লৈপাক সিফাই মিয়াম পুমৃনমক্কি ময়াইদা ন্থমিং থাঃগি মতমগুম ফম্নাংজিফিদা মথকভা ফমজুনা স্না খুদোং ফান, পানা তপতাই হারবদা, লোমাসিং লোংজাম্বা নংজি হাওমচ্চা নরোই ১০ ভারাক্তং পুথুনা সড়া পূনসি অপুংয়াইগি ইঙ্গ্ট সাহেপ কৌম্বু সকউম্নারম্মু।

পোইরে লৈপাকক্কি অথৌবা পুম্‌নামকপু লোইনদুনা নিংথেম লেংথোক হৌরে হাইদুনা পাও তাকতম্মু হাইনা সিখি। অদুদগি গোনোক পাঙ্গি খেলহৈবা, সিংও খেলেন মতম য়েং য়াইফা পুংজা থজবো হাইনা পাও মেনখো-নখি।

জিবনন্দ খেলহৈবনা য়াইফা পুঙই লাকপবু মুকমু হাইমৈঃচোনা পালবা কৈবু গম্বা খেলদা লাল্‌ফম য়াইফা খোংসান পোৎপু মসিংস্নু খুস্নু খুৎলাই খিবিকপু লাইরেন মাৎদাথা পানা তাঙ্গা হৈরুক তাঙ্গা লৈরম মসিংস্নুঃ থাওমৈ মঙান নাই, ফৌ ভিংথৌ ঘোট সেগদুনা ধুপ লৈনুংসিনা সিংলেন লৈনমচাও তুবিচিংলেন নোংত্রেনখো-ম্বাদি শ্রীগোবিন্দ খুযা খুরূম লমলপা বিষ্ণু মাৎদা পা লিনমনি ইরোইবনা স্না কুবাকোক খন, নিংদনা খিংবাই জাবানা স্না খুদোংখন

মেলাঙ্গ নামৈরাকপনা স্না সেনাক খন, পার্থসিং চিরম মাচ্চানা স্না য়েৎথাৎ খন, লোমাসিং লাইশ্রমমচ্চানা, স্না ওইথাং খন, নব কোঙ্কেংবম মচ্চানা নোংমৈ ম.ংদপু, অবুৎতোন য়ুরেমবম মাচ্চানা থৌগন তাবু মাংদ থা অচোম মচ্চা লুব্াংবগা ব্রাহ্মণ গুণ শর্ম্মা নংখোই অনিমকতি লানজিন থংনা চৎলম্মু তুবি চিংলেন নোংদ্রেন খোম্বাদি স্নারুপ্না দোলাই তোং পুং পেরে, মোইবুং সিঙ্গা, দম্বরা, অসিনা চিংবা পুমনামক য়েঃদুনা ব্রাহ্মণ, বৈষ্ণব, লৈপাক পুমনামকনা য়াইফরকউ হাইদুনা বরপিঃ দুর্গামাই খোজেন ললাউ তৌদুনা লৈপাক মিয়াম পুমনামক্কা লোইনাদুনা শ্রীযুক্ত গম্ভির সিংদি নোংসাগি মতম গুমনা লেংথক লকলে। নুপিঃ নাহা ব্রাহ্মণ বৈষ্ণব লৈপাক পুমনমকনা চিংলেন নোংদ্রেন খোম্বা অসিগি লাল ছৌখাম অসিদি মতৌ লাংডোন অমাদি,

সোরাবেম্না লৈপাকতা কুমলকপাগি মতমগুম্মী ফাইদুনা লৈপাক মিয়ামনা ঙাংনখি। মনাও ইবুংঙ নরসিং সেনাপতিনা চিংলেন নোংফ্রেন খোম্বাগি খোঙ পাইদুনা কপ হৌবা অদুদি মতম অমদি থাইনা মাংদা স্না অজুদ্ধ্যা লৈপাকতা শ্রীরাম চন্দ্রনা মপাগি য়াথং মতুং ইন্না চহি ১২ তারা নিথোই নাবক সিংলক্তা চংলগে হাইবগি অজুদ্ধ্যা কোনুংদগি চংথোক লকপদা মনাও সক্রম্না লৈপাকতা ওন্দনা কপ হৌবা অদুগি মতম গুম্মী নিংথৌ মচিন মনাও অনি অসিগি চান্নবা মতৌ অসিদি রাম লক্ষ্মণ অনিমকনা চান্নাবগি মতম গুম্মি তুবি চিংলেন নোংফ্রেন খোম্বাদি গিরান কপ্তান সাহেপকা লোইনদুনা অহিং নুংথিন নাইদুনা চৎখা সিলট য়োরাবদা। কৃষ্ণচন্দ্র উসমুচ্ছা, সামুসিং, খুমবোং মম্লুম মচ্ছা সেন্নুংবা, অনিমকনা স্না থোগণজৌ

অহিং লুহবোই হারিঙে হায়া মাংদা চৎখিব্‌া লোমাসিং লোংজাখাসুং সোরাপুঞ্জিদগি ইস্কা সাহেপ কৌবদা পোইরৈঃ মৈতে নিংথৌ লাকলে হাইদুনা পাও তাকলুবদা সাহেপকি পূকনিং হারাউরে লোমাসিং হাঞ্জবাও নহাক তয়া হাল্লো।

চিংলেন নোংত্রেণ খোম্বাবু সিলোটতা নুং ঙাইনা লৈঃবিবম্মু ঐসুং হযেং নোংঙাল্লগা লাককণি। লোমাসিং হঞ্জবা নংদি অহিং নুংথিন নাইদনা সিলোট যৌনবা চৎলো হাইদুনা লাক-ত্না নিংথেমগি মনাকতা থুংলরে। সাহেপকি পাও পূমনামক্ক তর্মলরে। নিংথেমসুঃ য়ামনা হারাওরাদুনা বারিগণি হাইদুনা চাঁক পিজরে ইস্কা সাহেপসুং নোংঙাল্লাগা তুবি চিংলেন নৌং-দ্রেন খোম্বাগা, জর্নেল, কর্নেল, গিরান কপ্তান ইস্কা কৌবা পূমনমকনা খাহিগি লান্দা ঐখোইগি

সিফাই য়ামনা সিরে হাইনা তশিম।

মৈতৈ নিংথৌ নাহাকনা সিফাই পুমনমক পুম্ভুনা লোয়া পুন্সি য়ৌনা চংবিরো হাইদুনা চংলকলে। নিংথেমনা খাহি মরোন হৈববু চৎহনচনা সাহেপকা খৎনবাসুং তৌগনু ১সুং তেথাও য়ৌনা লম্বি সেম্বা থিংভি হাইবা অদুবুসুং তৌগাম্নু হাইরববু খাহি নিংথৌ কোমলাসিং কৌবগা, চৌবরসিং কৌবগা অসি খিবিকনা মৈতৈ নিংথৌ গম্ভিরসিং নংনা হাইরকপা পাও অসিবু করিবানো। সাহেপকা খাহি ঐথোইগা লান তৌজববু মৈতৈ নিংথৌ নাহাকনা খাম্বা অসি নথৌ করিগৈবা! খাহি ঐগি ইরেপাককি মচি অমবু নংনা য়ৌরকপা ওমগাবরা হাইদুনা খাহি নিংথৌনা নিংঙাই কয়া তৌরে।

অদু তাবদা 'নিংথেমনা মৈঃ চাকপগি মতম শুমগা সাওরদুনা লৈপাক মিয়াম লোইনদুনা

থাহি য়োওনা. কংলিজকপ্পা তেজল মারে।

অতুদা অচোইবা মোইরাং নিংথৌ, নাহাকক্ত্ত ম্রজেৈণ গুণ মেজোর নংগা নংথোই অনিজকতি সিফাই কোঙ্গাই পুনা থাহি মচিং লাং য়ৌনা চংল্পা লান ড়মল্লিবা মথৈ হৌকফদু হাইনা থাথি।

ভিতন, প্রেমতন, গিরাজ, ইবা কৌবা অং- থোইদি সরকারগি সিফাইগা লোইনতুনা মথা পাংবা লোমজা ওকথৎ লকউ থাহি মচিংলাং থুনৌ মপুং টাকনা থুগাই রকউ।

নিংথৌ এম্পুং থাহি মনিন নাই কোমলা- সিং হৈথোং থাবু রৌনা থুগাইদরি বল্লি এম্পুং হলকলোই হাইহুনা লানথোং সিজরে।

তুবি চিংজ্রেন নোংজ্রেব থেথাদি লাপোং লানপোং পুমনামক শেৎলাদুনা থাং তুংথোই । মাং মায়ু মথকত্তা তোংলে।

পাৰ্বতিং নহারূপ লাক্কপনা, হ্মা য়েংখাং খন লোমাসিং লাইশ্রম্ মচ্চা হ্মা ওইথাং খন, ব্রাহেংবম্ অমুসিংনা কাতি পাইক্তুনা সামু স্নুকোক্ তোংদুনা শামু থৌই। মোইবুং খোংতি পুং য়ৈঃ, পেরে সিঙ্গা খোংতি, নাগন্না য়ৈঃ লেঙ্গুন খোংতি, দম্বুরা য়ৈঃ, সেম্বুং সেন মন পুগনামক য়ৈরে বাঁশী সিনানচিংবা পুগনামকসু খোংলে দুর্গামাই খোঙ্কেন লাউবনা থাহি লৈপাক পুগনা-মক মুহারাব শুম নিকলে, অদুদা ব্রজানন্দ লৈসাং খেম্বাগা, মিচাও চিরম মচ্চাগা, অনি-মকনা চিংদুনা নোংমৈ, লংক্রুম মামবী কাপস্না শালহোরে। খাহি পুমনামকসুং নোংমৈ কাপস্না শালহোরে। মৈতেনা অমুক হকুসিল্লি খাহিনা অমুক ইন্দকই। মতৌ অমুমনা লোকনবকু লোং-খোংখলি অজনগুপ্ত, লমনে চাপ্পলি মতমহুমম্না লোকনরবদা লানখি মৈদু কাবনা হুনিং মমথে

অদুদা অচোইবা লুওবাংবগা, ব্রহ্মণ গুণ শর্ম্মা-গা, অনিনা চিংবা লান্দাথোৗবা পুমনামকন্সু, মপা মপা কাপনবে দুর্গামাই খোঞ্জেন লাউদুনা লানফম নিংদ তকসিললে। সাহেপ পুননামকন্সুং হকথেং ফংনা য়ান্নরকলে বোম্, তোপ, নোংমৈ-কাপত্না দুর্গামাই খোঞ্জেন লাউনা থেংনরে অহিং নুংথিন লাইদুনা সোকলরে। লানগি মৈখুনা নৈপাক পুমনামক মগথে, থাহি পুননামকন্সুং পুং সেন টৈরে মথোং থিন পামবোম থিং মথা চিকত্না থাংপাই, নোংমৈ পাইদুনা তেঙ্গন মাইয়োকননা কাপনাবনু থাহি মমাই লৈবিত্রে পোইরে টৈত্তে পুমনামকন্সুং থাং নোংমৈ পাইদুনা নোংনা চুংবগি মতম শুমনা কাপনরে লাম সোক নবগি মনিননা পৃথিমক থক থক নিকলে, লমজাওদা লামৈ চাকপগি মতম শুমলে, চিং-অনিনা থেংনবগি মতমগুমে নোংসা চরামনবা

লানিনা সাঃ মুন্নাবগি মতমগুন্দো মিগি নোংমৈ মরুনা খোইমা মপেঃ মপেঃ পাইবগি মতম-লনা কাপনরে অদদা মৈখু কাবনা শুমিৎ মখোং থিংলে।

গম্ভিরসিং মহারাজনা নাক থোবা পুমনামক নংখোইবু, নমাই ওনগনু হাইদুনা লালকমগি মনুংদা লাওরকই নিংথৌ ঐস্মুং নিংথৌ চিংথংখোমবাগি মচা মক্তা ওইরবদি ঐস্মুং মাই টৈরোই হাইনা ব্‌্যাসকম্বা থাং চুঙই পাই-দুনা, থাহি তেজল য়োনা ফুজিরে নিংথৌগি ছুংদা থাং নোংমৈ পাইবা টৈপাক পুমনা-মকমুং থাহি পনথোং পাইরে। মপা মপা থাং য়ামরে।

থাহি মগিন নাইবদি চিংলেন নোংদ্রেন লোযাগি মমাংদা থাংবা ওমজ্রদুনা থাহি কাই-লনা চেনখো কাংথাং কাংচাহ তমগুন থুগাইরে

থাহি ছুক চেন্নথা মজল হাজেন্নবা সিংবু মাউবি য়ানথেকবগি য়েন্দেম সোইবগি মতমগুম য়ান্‌-থুরে ইসিংদা কুমছুনা চেকবদা ওাঃ কাবগি মতম গুমনা ত্তান্নাছুনা হাৎলে থাহি। লৈথোং কাইরে চেংগৈ, ভ্তাঃকৈ থাং নোংমৈ খুংসু খুংলাই মসিং থিবা ওমদনা থোমলে থাহি নিংথৌ বান্ন-মণি নিংথৌগা মজুল নিংথৌ তিলসিং অথৌবশা, অহমনা ও চিংনা লান চাঃমা চংন ফারে।

অদুদা অহিং অবা পোথারপা ইনুংশা সোরাতৈনা ত্তালবদা মুমিং থেওরকলবদা থাহি নিংথৌনা চিংবা লালদা কাংব পুমনামক অন্থু কাউরেণ সঙ্গু হইবাগুম, হইছুনা গিরাপ, ইঙ্গ্ সাহেপ অনিমককি মথুংতা পিন্নরবদা সাহেপ পুমনমকনা হরাউ রহুনা চৌকি য়াতাংবন থাং-মা কমদ্ধগা মনিপুর মহারাজ গম্ভিরসিং নংথি, লাল লোক মতৌ অলিগি মতৌ পানবা

থমদি থাইনা মাংদা হস্তিনা লৈংকোই ফম্বা ধর্মরাজ জুধিস্থিরগি মনাও য়াইমা অর্জুন পাং গলবগি লান সোক মতো মালে। নাহাকগি লানকম মৈস্রাঃ অকনবনা খাছি চিংসাং থনবা মঙ্গল খুনুগং ১৯ তায়া মাবন মবু সাহেপ ইথোং থাদা চংলরে। ১ সুং লান মণিংথরা লৈরি মিতৈঃ সিফাই ১০০ চাঃগাতং থনম বিথো ঐথোই পুমনামবচি সিলোট য়োনা হন্দোক লসি। লানকম য়াইফরাব অসিনা পুকনিং য়ামন নংঙাইচরে, সাহেপ পুমনামকসুং য়ামনা হয়াও থমলগনি। তুবিচিংলেন নোং- ম্রেনথোম্বা সুং চাইথরগা, তারা লুকথোং তারগা ক্রাংজি তুনান ফিভৌ থক্কা থমলবগা অচোম মচা লুবাংবা লাইফম লাকপা নংগা [illegible] শুব মেঙ্গরগা নবংঙাক্সি সিপাই ১০০ [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]

সিনা নংখোই থানা কমহোখো হাইনা থনম লবগা লাঙ্গই সামুত্তোংহুনা মৈতৈসিফাই অয়াম-বাসুং গিরান, ইস্কচ্‌ সাহেপ অনিনা চিংবা কোম্পনি সিফাই অয়ামবাসুং লোইনাহুনা সোরক লমসাংথন পোইরৈঃ মরং হৌন সিলত্তা পুংলরে। অহিং অন্না পোংথারগা ইনুংম ঙাজগা কচবি চৈরাপ য়্যাযেন সংদা য়্যা ঙাংনাবদা নবাপ গণর ইস্কাড্‌ সাহেপ অনিমকনা ঘরি পুংজা ১০ তরা সুবদা চিংলন নংত্রেন খোম্বানংগী নুক্কমদা ঐখোই লাককে মৈতৈঃ নংখে, ইগি মগজিন চিনবা, নিংথম সেংপা লাঙ্গই সাখোন তোঙববু য়েংনিংঙি হাইরকলবগি গম্ভিরসিং মহা-রাজনা সাহেপ পাও মেনবু ফত্নে হাইনা থুমলপ্পা সংগাই য়ৌনা তম্না হললকলে। ময়েং সোংব ঙাজকলবদা গম্ভিরসিং মহারাজনা তাজৌ লাইজ্রবা, নিংথী থাংজিবা, মংঙবা কুহ, মংয়োই ও মশাক

প্রকৃতি সাপোং লানপোং মসিং ন্নুনা সেংন্নু সজ্ঞিন চিল্লু নিংথম সেংল্লু লাঙ্গই লম্মাং থকতা তাঃ পাই অরামমবাই থেংন্না খুনেং নাকথং খোংগাওনা খুর্ক্কি য়ৈথংলো, সপোন তোংবা ● অহমমক সাহেপকি বাঁঙ্গলা য়ৌনা চংন্থনা সাহেপপু য়েংহল্লমদা, মিঃনোক খোনজেনচাও নুঙাই মবাংকাইনা লৈরিউ।

ঘড়ি পুংসিং য়েংববু পুংজা ১০ তারা সুবে লোয়সিং হল্লবও ভুবি চিংলেন নোংন্দ্রেম খোংগা দরবার ব্যাঃ ওাংনাববু থেংলগনি হাইনা ইকতি সাহেপ কৌমবু চংথোকলকুলে, মৈতৈ সিকাই পুমন্নামকন্সুং সাপোং লানপোং সেংন্না প্রায়োকননা লেংন্থনা লৈ, শ্রীযুক্ত গম্ভিরসিং মহারাজন্সুং সম্বাইমগি খোকন্থনা ওাইন্থনা লৈরে।

সাহেপ পুংলবগা লোলান অথকা কাথংল্লা প্রাপ্রাংনায়ে ইন্দক সরকার ঐথোইগি লায়কম

অত্থাবা অসিদা মনিপুর মহারাজ মংনা, থৌ- রৈচেন পাংলবসিবু য়ামনা মুংঙাইরে। মনিপুর স্না লৈপাকক্তি নিজমত্ত নরৈপাক ঙইজ থরো ১ সুং বিলাট ইরৈংপাকক্তা, মণিপুর নরেপাকক্তা আমত্তা ঙইনারসি।

নংগি নবৈপাকতা থোকপা পোৎসুং বিলাট ইরৈংপাকতা য়োলহল, সাহেপ ঐথোইগি ইরৈংপাকত্তা থোকপা পোৎসুং মনিপুর নরৈং পাকতা যোলহলগে ব্যাপার চৎনরসি তেথাও ময়াং চদিগাও অহম মদি সাহেপ ঐথোইগি ইরৈংপাকপু ঙইরবনি কোম্পানি ঐথোইগি ইরৈ- পাকা সাঃ লাল অচৌবা থোকলবাসুং শ্রীযুক্ত গম্ভিরসিং মহারাজ মংনা লাল পাংবিরো মনি- পুর স্না-লৈপাকতা সাংলান অকথা থোকলাবসুং সরকার ঐথোইনা লাল পাংলগে ব্রারম মদৌ ১ মাসুং অথা লৈপাকক্তি সিয়ানাদা কিলাং

ক্রিয়া সাউ অবাগা লাল ত্তৌণণবা নোং মেং ওইহাক য়াগনা পিরককণি বা থৌ পুমনামক লৈরবাসুং ঐখোইদা হাইরকউঃ বা পুমনাগক অনি তাংনরিওৈদা, মুনলমাল পার্ভন পুম- মামকনা . শ্রীযুক্ত গম্ভিরসিং মহারাজ নাহাকনি রথজাত্রাগা ঐখোইগি ইমান লাইগি কুমেংগী কাংনরো নাহাককি কুমেঃ অদু নোংমত্তা য়েঃথোক পিখো মুসলমাল ঐখোইগি ইমান লাইগি কুমেঃ অচৌবা অসিদি নোংমতা য়েথোকপা য়াদে হাইরবাদা। পোইরে মিতৈ নিংথৌনা মুসলমান নখোইগি কুমে অদু মরৈথোকখো ঐগি লাইগি কুমেঃদি নোংমতা য়েথোকপা য়াদে হাইরবাদা। নোবাপ কোণরগি বা অদু তারদুনা ইকা লাহেপ মা হাই মনিপুর মহারাজ নাহাককি কুমেঃ অদু নোংমত্তা য়েঃথোক পিখো হাইরমলগা হনখে। অদুনা শ্রীগম্ভিরসিং মহারাজদি লৈপাক মিংয়াম

তিন নম্বা দুপি হনু কথা, ব্রাহ্মণ পৈক্ষপ পুম্ন-
নামক: তিলকদা ব্রাহ্মণ লাইখি সেবা তৌরে।
শ্রীজগন্নাথগি নামসোংল্লে। কাঙ্গি পৌরি
পাইদুনা চিংলে শ্রীজগন্নাথগি কুমৈঃ হৌরে।
মুসলমান পাংগল পুম্নামক সুং মখোইগি, ইমার
লাইগি কুমৈঃসুঃ হৌগরে। অমা কোনই মমিং
সোন থবাক খুদুম নমথৈনা পাগল থবাক
লোংনা য়া শুকসম ভোংদম হাই ইমান লা-
ইগি মিং মনদুনা কুমৈঃ অচৌবনু হৌগরে।
লাই অনি মক মাইয়োক নরবাদা শ্রীযুক্ত
গম্ভিরসিং মহারাজনা সাউরদুনা মনাই সিংবু
যেংদুনা হাই। খোম্রিচনবা, থিংগুও্য নোং-
য়াইবা, অসৈবা জয়সিং সমজেং সাবা জয়সিং,
থ জবা মেঘসিং কৌগৈনংবা লিলমথি নখোই
পুমনামকপু করি তৌরিবনো।

মুসলমান পাংগল পুম্নামকপু পুম্নাহনো হায়না,

য়াথাং পিরবদা তনবা মতোম ২ পানবা কৈগি মতমগুম চেংশিব ময়বাগি মুসলমান পুমনামকপু চেবুন থংতনু কাংদেন কৈনা হাইনা য়েনারবদা পাওলবু মৈতৈনা অরাক তমনা থুগাইরে। মন ফানবাগুম তায়াদে পাওল হকচেন হাচেনা হুওাই খোজেন লাউনা কপচুনা চেনরবদা গম্ভীরসিং, মহারাজ হায়াওচুনা খোইরম মোমন মোমন নোক পোইরৈ মিয়ামথায়া শ্রীজগনাথকি খোঙ্গন কাই হকচুনা ফুমে মতোল লোমনা ভোরবদা হিন্দু অপুবা শ্রীজগনাথগি মনাই থেএগি পাজা পুমনামকনা চিংবা থিগিকনা শ্রীযুক্ত গম্ভীরসিং মহারাজ অসিদি থেরি ধর্ম ফাইদনা. হিন্দু ইরমচং হোৎদব অসিবু শ্রীগোবিন্দগি মথৌ থানশিনি হাইশি। অদুদগি শ্রীযুত মহারাজদি ইদপাক মিয়াম পুমনমক [illegible], মণিপুর-[illegible] [illegible] [illegible]।

জলান্দর য়াংলৌ লমখাংদা জুমরাম মৌরিংবনা শ্রীযুক্ত মহারাজগি চরন্দা হংগৎচৈঃ এবু কাছাড় কৌবা লৈংপাক অসিদা খুল পানবা গুগদরে খুল সেম্বিরম্মু হাইনা খুরুমজেঃ। শ্রীযুক্ত গম্ভিরসিং মহারাজনা নুংসি বিরম্মুনা মনাই অথোবা ফলাং অংলথেংবা সুবিদার, নহাবন চিংদুনা সিফাই ৫০ য়াংখৈগা লোইনদুনা কাছাড় খুল সেম্বিবম্মু হাইদুনা থনমলে। মহারাজাদি অতিং অওা লগতন্দা নুংথিন অওা পোথাদা, চিংলেন মৌভগকা ইবোক লাইজম কান্না চেঙি, লোইবি চিংখাং লান্না পোইরে ভগ্নাক তারকলে। বিষ্ণুপুর য়ৌরিদুনা শ্রীবিষ্ণুবু খুবাং চাংচৌ চৈপনা থরুমলগা লাংথবাল কোনুং চংলকন্ত্রী সনাই, নুংঙাল পামবু য়ৌরে। শ্রীগোবিন্দজি শ্রীচরণবু খুবা[illegible] [illegible]. চেপনা খুরুগলে। অসিগি [illegible]

ভাংবন . থকতা কময়ুনা শ্রীযুক্ত মহাক্নৌ নর-সিংহ সেনা পণ্ডিনা চিংবা অয়াবা লৈপাক-কি কমনাইবা পুমনমপু তিঙ্নদা থ হি লান কম অচৌববু য়াইকরকলে হাইনা পাও তমলে অহদা লৈপাক মিয়াম অওবা অচৌবা পুমনমকনা য়ামনা হান্নাওরকুনা পাথংবগি শ্রী গোবিন্দগি থৌজান কৃপানা লানকম য়াই করক-পনি হাইরমলগা অওবা লৈপাক মিয়াম পুমনমক মরুম মরুমদা কুমখে। অসি মতুংদা মহারাজিনা চিংবা অপুম্বা ঐবুয়োই-হেনদা পাও তমলে। অদুদগি থরলৈবগা থানা কমহৌবা অচোইবানুওয়াংবানা চিংবা সিকাই ১০০ চামা মকন্থু থুংলরে। ১ সুং অসিগি মতুংদা ফলাং হনথেম্বানা চিংবা সিকাই ৪০ য়াংথে সুং থুংলরে। অদুনা লান্দা [illegible] মনাইমপু অকানবা অঙ্গানবা কপুনমপু

মতিক মতিক অকপা য়েংছুনা মমা মতিন মতোল লোমনা পিখ্রে। অসি মতুংদা নৈলপাকনা থাগৎলি। তুরি ছিংলেন নোংদ্রেন খোম্বা মহারাজ অসিদি লানফম অকনবা খিবিক তা মাই ওনদে, ব্রাহ্মণ, বৈষ্ণব মুপি, অঙাং শুমম্মকমুং পিনা হৈবা ১ মুং শ্রীরাধাকৃষ্ণ অনিমককি নামবু তৎম্মা সোন্নি-বী নিংথৌবেম্মা পোইরৈ খোমজিনতম ঙাংঙম তেনজিন তমলবগা পুকনিং মরাংকাই, নুংঙাই য়াইবি মথোই তোংনা পোইবৈ খুনিং থৌবু ওইরে ।

সমাপ্ত।

